# চেম্পিয়ন্স লীগতা স্পেনগী রিএল মাদ্রিদ, ইংলেন্দগী টোটেনহাম হোটসপর প্রী ক্বার্টরগী অহানবা লেগকী মেচশিংদা মায় পাকখ্রে



অমষ্টর্দম/লন্দন, ফেব্রুৱারী ১৪ (এজেন্সী) ঃ য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা স্পেনগী ক্লব রিএল মাদ্রিদ অমসুং ইংলেন্দগী টোটেনহাম হোটসপর মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীদুনা অহানবা লেগ অদু মায় পাক্লুখ্রে।

নেদরলেন্দসকী সিটি অমষ্টর্দমদা য়ূম্বু ক্লব এজাক্সকা সিটিদা লৈবা জোহান ক্রুইফ এরেনাদা স্পেনগী রিএল মাদ্রিদকা মফম অদুগী ক্লব এজাক্সকা লম্বা তৌনখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচকী অহানবা লেগ অদুদা শান্নবা লোইরমদাইদা রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী মার্কো এসেন্সিওনা চনখিবা পাঞ্জল ২-১দা থোইরগা প্রী ক্বার্টরগী অহানবা লেগকী মেচ অদু মায় পাকখিবনি।

মেচ অদুগী হৌরকপা অহানবা হাফ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নদুনা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী ষ্ট্রাইকর ফ্রেঞ্চ মচা করিম বেঞ্জিমানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা এজাক্স অমষ্টর্দমবু মখোয়না পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

য়ূম্বু টিম ওইখিবা এজাক্স অমষ্টর্দমগী মায়কৈদগী হাকিম জিএসনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মহাক্না টিম অদুগী মায়কৈদগী রিএল মাদ্রিদকী মায়োক্তা অহেনবা পাঞ্জল কয়া চনবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু পীবা ঙমখি। অদুবু মহাক্কী টিম মেটশিং অদুনা খুদোংচাবশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

পনবা য়াবদি, মেচ অদুগী অহানবা হাফতা এজাক্স অমষ্টর্দম ক্লবকী মায়কৈদগী নিকোলাস টাগ্লিফাকোনা হেদ তৌশিন্দুনা চনখিবা গোল অদু রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী কমপ্লেন তৌরক্তুনা ভিদিও এসিষ্টেদ রেফ্রি (ভি এ আর) গী মতেংনা নিকোলাসতা ফংখিবা বোল অদু পাস তৌরকখিবা টিম মেট দুসান টাদিক মাঙজৌননা ওপসাইদ তারম্বদগী গোল অদু লৌখিদবনি।

করিগুম্বা ভি এ আরগী দিসিজন অদু লৈরমদ্রবদি এজাক্স অমষ্টর্দমনা রিএল মাদ্রিদপু পাঞ্জল ২-১দা হেন্দুনা অনীশুবা হাফ অদু য়াম্না নুংঙাইবা মেচ অমা ওইরমগদবনি।

মেচ লোইগদবা মিনট অহুমদা ঙাইরবা মতমদা রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী মার্কো এসেন্সিওনা টিম অদুগী পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা এজাক্স অমষ্টর্দমবু ২-১দা থোইরগা প্রী ক্বার্টরগী অহানবা লেগ অদু মায় পাকখি। টিম অনীনা অনীশুবা লেগ অদু রিএল মাদ্রিদনা য়ূম্বু ওইরগা মথং থাগী ৫দা শান্নরগনি।

ঙরাং লন্দন্দা শান্নখিবা অতোপ্পা চেম্পিয়ন্স লীগ প্রী ক্বার্টর ফাইনেলগী লীগ মেচ অমদা য়ূম্বু টোটেনহাম হোটসপরনা জর্মনিগী বোরুসিয়া দোটমুনবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি।

মেচ অদুদা টোটেনহামগী কেপ্তেন হেরিকেন শোকপদগী শরুক য়াবা ঙমখিদে। মহাক্না লোয়ননা মরুওইবা শান্নরোয় দেলি অলিসু য়াওবা ঙমখিদবনি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ হোটসপরগী মায়কৈদগী বেলজিয়ম মচা জান ভটোর্নগেননা পীরকখিবা পাস অমদা ষ্ট্রাইকর সাউথ কোরিয়া মচা সোন হিয়ুং মিননা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা টোটেনহাম হোটসপরনা মেচ অদুগী মখা তারকপদা জর্মনিগী বোরুসিয়া দোটমুনবু অহেনবা মওংদা লাকশিনবা ঙমদুনা শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা চাউনা থৌদাং লৌখিবা ভটোর্নগেননা য়াম্না শাফু কনবা বোল্লি অমগী মতেংনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

টোনটেহাম হোটসপুরগী মায়কৈদগী সবষ্টিটুট ওইনা চঙলকখিবা ফর্ণান্টো রোন্টিনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু ফিল্ডদা হেক চঙলকখিবা মতুং মিনট ২ লৈরগা ৮৬শুবা মিনটতা চন্দুনা জর্মনিগী ক্লব অদুবু ঙরাং য়ূম্বু ওইদুনা লন্দনগী ৱেমব্লে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টোনটেনহাম হোটসপরনা ৩-২দা থোইবা ঙমখি।

# নুপাগী ক্রিকেট মেচতা নুপীনা অম্পায়র ওইদুনা অনৌবা পুৱারী শেমগদৌরি





এদলেট, ফেব্রুৱারি ১৪(এজেন্সি): ওষ্ট্রেলিয়াগী এদলেটতা পাঙথোক্ক-দৌরিবা নুপাগী ফর্ষ্ট গ্রেদ প্রিমিয়র ক্লব ক্রিকেট মেচতা ই সেরিদান অমসুং মেরি ৱালদ্রোননা অম্পায়র ওইদুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেমগদৌরি।

নুপানা শান্নবা প্রিমিয়র ক্লবকী ক্রিকেট মেচতা নুপীনা অম্পায়র ওইবা হন্দক্না অহানবা ওইরগনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ভাইস কেপ্টেন ট্রেভিস হেদ য়াওনা টি টি গলি অমসুং নোর্দন দিষ্ট্রিক্টকী মরক্তা শান্নগদৌরিবা মেচ অমদা সেরিদান অমসুং ৱালদ্রোননা অম্পায়র ওইগদৌরি। সেরিদানগীদমক্তদি নুপানা শান্নবা ক্রিকেট মেচতা অম্পায়র ওইবা থোইদোক্না অনৌবা অমা নংত্রে। থা ১৮ গী মমাঙদা পাঙথোকখিবা সাউথ ওষ্ট্রেলিয়ন প্রিমিয়র ক্রিকেট মেচ অমদা মহাক্না অম্পায়র ওইখি। এদলেট ষ্ট্রাইকরস অমদি মেলবোর্ন ষ্টারসকী মরক্তা শান্নখিবা মেচ অমদসু মহাক্না অম্পায়র ওইখি।

মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাওন্সিল (আই সী সী)গী টি ২০ ৱর্ল্ড কপতা আইরলেন্দগী শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াখিবী ৱালদ্রোনসু নুপাগী ক্রিকেট মেচতা অহানবা ওইনা অম্পায়র ওইনবা থৌরাং তৌরি। হৌজিক হৌজিক প্রোফেসনল ফুদবোল প্লেয়র অমা ওইরবী ৱালদ্রোননা সেরিদানগা লোয়ননা নুপাগী ক্রিকেট মেচতা অম্পায়র ওইনবা শেম শাবা লোইখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা সাউথ ওষ্ট্রেলিয়ন ক্রিকেট এসোসিএসনগী ষ্টেট অম্পায়র কোচ দানিয়ল গুদৱিননা হায়খি, নুপী অনীমক অম্পায়র ওইবদা মতিক চারে হায়না লৌবদগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা নুপাগী ক্রিকেট মেচতা অম্পায়র ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

# হিরো আই লীগতা ইষ্ট বেঙ্গলনা শিলোং লাজোংবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে



কোলকটা, ফেব্রুৱারী ১৪ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগকী ঙরাং কোলকটাদা শান্নখিবা মেচ অমদা য়ূম্বু ইষ্ট বেঙ্গলনা শিলোং লাজোংবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী ষ্ট্রাইকর মিজোরাম মচা লালদনমাৱিয়া রালটেনা হেটট্রিক চনবা ঙমখি। লোয়ননা টিম মেচ জোমি জষ্টিন অমসুং এনরিক এস্কিদানা পাঞ্জল অমমম চল্লগা শিলোং লাজোংবু য়াম্না হেন্না মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থারিবা চেন্নাই সিটি এফ সীগী মতুংদা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

মেচ অদুগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৮শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গলনা ঙন্না পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা ষ্ট্রাইকর লালদনমাৱিয়া রালটেনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মেঘালয়াগী ফুটবোল ক্লব শিলোং লাজোংগী মায়কৈদা ইষ্ট বেঙ্গলনা মখা তানা এটেক কয়া চখবা ঙমখি। ২৭শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা রালটেনা অমুক হন্না পাঞ্জল অমা চন্দুনা শিলোং লাজোংগী শান্নরোয়শিং অদুবু ২-০দা মাঙজিল থাখি।

য়াম্না থাজদবা মওংদা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখিবা মতুং মিনট ১গী মনুংদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা জোবি জষ্টিননা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মখা তারকপা মিনট পুম্ভায় অমা হেনবা অদুগী মতম পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থাখিবা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়োক্তা শিলোং লাজোংনা ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইগদবা অরোইবা মীৎকুপ্তা পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থারবা ইষ্ট বেঙ্গলনা মখা তানা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় এনরিক এস্কিদানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা হাফ অদু লোইশিল্লকপদা শিলোং লাজোংবু য়ূম্বু ক্লব অদুনা ৪-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপা অদুসু শিলোং লাজোংনা মখোয়গী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু শোথখিবা পাঞ্জল মরি অদুগী মনুংদা অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেচ অদুগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা লন্দামাৱিয়া রালটেনা ৬১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা শিলোং লাজোংবু ইষ্ট বেঙ্গলনা ৫-০দা হেন্দুনা লৈখি।

ইষ্ট বেঙ্গলগী টিম পাঞ্জল ৫ হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং মেচকী লেমহৌবা মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু পাঞ্জল চাউনা শোথখিবা শিলোং লাজোংগী দিফেন্দরশিং অদুনা মখোয়গী এটেকশিং অদু ঙাকথোকপা ঙমখিবদগী পাঞ্জল মঙাগী মতুং অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদে।

ঙরাংগী মেচ অদুদা ইষ্ট বেঙ্গলনা শিলোং লাজোংবু ৫-০দা থোইরবা মতুং হিরো আই লীগকী পোইন্ট টেবলদা ইষ্ট বেঙ্গলগী টিম অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লি।

লীগ অসিগী টেবল লুচিংলিবা টিম অদু চেন্নাই সিটি এফ সীনি। লোয়ননা লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবা হিরো সেকেন্দ দিভিজন লীগকী চেম্পিয়ন রিএল কাশ্মীরগী টিম অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি। অদুগা ঙরাং মায় পাকখিবা ইষ্ট বেঙ্গলনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি।

# গুৱাহাটিগী সেনিয়র নেসনল বেদমিন্টন্দা মমিং লৈরবী শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল কোট লৈতেম মান্নরমদবদগী শান্নৌ য়াখিদ্রে



গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারী ১৪ (এজেন্সী)ঃ অসামগী গুৱাহাটিদা চথরিবা সেনিয়র নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী নুপীগী মমিং লৈরবী শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল শান্নফম অদুগী কোট অদু লৈতেম মান্নদে হায়বগী মতাংদা মহাক্কী মেচ শান্নৌ য়াখিদ্রে।

সাইনা নেহৱালনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা শ্রুটি মুন্দাদাগা শান্নগদবা মেচ অদুগী মাঙওইননা মহাক্কী শান্নফম অদু য়েংলুবদা লৈমেত মান্নদবা মফম খরা য়াওরম্বদগী চহী অসিগী মখা তানা লাক্কদবা মরু ওইবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অদুগী য়েংলুরগা শোকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈবা মরম্না শান্নৌ য়াখিদ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবী সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু গুৱাহাটিগী শান্নফমগী কোট অদু লৈতেম মান্নবা ৱাৎখি হায়দুনা শান্নবদা মশা শোকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী সুটি মুন্দাদাগা শান্নগদবা মেচ অদু তোকখবনি।

সাইনা নেহৱালগী মায়কৈদগী কমপ্লেন অদু লাকখিবদগী বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী ইভেন্ট সেক্রেটরি ওমর রসিকনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা সাইনা নেহৱাল, মহাক্কী মপূরোইবা টুর্নামেন্ট অসিগীসু শান্নরোয় অমা ওইরিবা পারুপালি কাস্যপ অমসুং অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গল শান্নরোয় বি সাই প্রানিটতা অয়ূক্কী মেচশিং অদু তোক্লগা হেন্না ফবা কোটতা নুংথিলগী মেচতা শান্নবা থেমজিনখি।

পনবা য়াই, হায়রিবা কোট অদুদা উনা শেমখিবা লৈমায় অদু মফম অনীদা হান্না শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা কাখৎলকপনি। হায়রিবা মফমশিং অদু অমুক হন্না শান্নশিল্লবদি শান্নরোয়শিং অদু শোকপা য়াবগী তাঞ্জা লাকপনা মদুগী মতুংদা লাক্কদবা অৱাবশিং অদু মায়োক্লবা পামদবদগী সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী মেচ অদু শান্নবা পামখিদবনি।

গুৱাহাটিগী অসাম বেদমিন্টন একাদেমিদা পাঙথোক্লিবা সেনিয়র নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি কোট অহুমদা শান্নবনি। কোট অহুম অদুগী মনুংদা অনী অমদি ফীভম ফরবসু অতোপ্পা কোট অমদি ফীভম শোকখিবনি হায়না মফম অদুদগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

অয়ূক্তা শান্নখিবা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মমিং লৈরবী শান্নরোয় পি ভি সিন্ধুনা নুপীগী সিঙ্গলসতা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মালদিকা বঙ্গোটপু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মহাক্কী মেচ অদুগী মতুং কোট অদুগী ফীভম শোকপদগী সাইনা নেহৱাল শান্নৌ হায়বা য়াখিদবনি। বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী ওমর রসিদনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না শোক্লবা কোট অদু শেমজিনবগী থবক লৌখৎখি। লোয়ননা মখা তানা শান্নরোয়শিং অদুনা শান্নৌ হায়বা য়াদ্রবদি সিমেন্টকী ফ্লোর ওইরিবা তরুন রাম ফুকন ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নবগী তাঞ্জা অমসু শীনখি।

বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসল রসিদনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা শোক্লবা কোট অদু শেমজিনবা লোইরবা মতুং নুংথিলদা শান্নবা য়াবগী অয়াবা অদু শান্নরোয়শিং অদুগী মায়কৈদগী পীরকখিবনি। পনবা য়াবদি সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধু ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা অচৌবা মঙলান অমগা লোয়ননা শরুক য়াগদৌরিবনি।


# ইন্দিয়াগী সাইক্লিং টিম ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা অনীশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ১৪ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী সাইক্লিং মতম শাংনা শোথরবা মতুং জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগী টিম অদু মালেমগী রেঙ্কিংদা অনীশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

য়ু সী আই ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী খ্বাইদগী নৌনা থোরকখিবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম মিটর লিশীং ৪গী টিম পর্সুট কেটেগোরিদা অনীশুবা থাক্তা লৈবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা পূন্না পোইন্ট ১২৩০ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈবা মতমদা পোইন্ট ১২৮৩.৭৫ ফংলগা কাজখষ্টানগী টিমনা মকোক থোংবা ঙল্লিবনি অদুগা জপানগী টিমনা পোইন্ট ১২০০ ফংলবা অহুমশুবা থাক্তা লৈরি।

HL-P/3313/24/1-23/3(Alt.)



HL-B/5068/21dec to 19feb. (alt)



HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com